# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




খোংবান্তাবম ইবোতোম্বী লৈখিদবা নুমিত্তা লাঙ্গোলদা লৈবা ওল্ড এজ হোমগী অহলশিংদা খোংবান্তাবমস পব্লিকেসন এন্দ ইমুং মনুংনা চাক্লেন কৎচবগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল তমখিবা (লামায় ৬)

হকথেংনবা পাউদম

☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)

লামায় ৪

মীতৈ মশীং হেনগৎনবা এম এল এ রামেশ্বরগী ৱাঙাং য়ানিংদে : অশাবালা

☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'

☛ লামায় ১০

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদগী মায় লৈদুনা চেন্দনা লান থেংননবা শেম শারে হায়দুনা শাফোংখিবা সলাইচা মপারি-মমোমগী থৌমীশিংনা শরি ৱাশক্লখিবা (লামায় ৯)




Vol. 47, Issue No. 217 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 31, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# থাঙ্গাল কৈথেলদা শগুন তৌনবা হোৎনরম্লব্রা : স্মার্ট সিটি ফেজ-২গী থবক ৱর্ক ওর্দর য়াওদনা শূরম্লে



কষ্টুরিদগীনা খুয়াথোং ফাওবগী মরক্তা হান্না ওইরম্বা লম্বীগী ফীভম (ওই) হৌজিক ওইরিবা শক্তম

## কষ্টুরিদগী খুয়াথোং ফাওবগী মিটর ৭২০ শাংবা লম্বী শেম্নবগীদমক লম্বী তঙ্খাই তৌথোকপা হৌরম্লগা শেমজিন্দবদগী মীয়ামদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদ (আই এস সী এল) গী মখাদা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি মিসন ফেজ-২গী শরুক অমা ওইনা থাঙ্গাল কৈথেলগী কষ্টুরিদগীনা খুয়াথোং ফাওবগী মিটর ৭২০ লোম শাংবা লম্বী পরিং অসি হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মশক ফজ হন্নবগীদমক মতম খরগী মমাঙদগী মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরকখ্রবসু থবক অসিগী তঙাইফদনা মথৌ তারিবা 'ৱর্ক ওর্দর' য়াওদনা শূবা হৌজিনবা ওইরম্লে।

ইম্ফল স্মার্ট সিটি মিসনগী মনুং চল্লিবা থবক অসি মণিপুর হাউজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্ট (মাহুদ) কী শেন্থং মখাদা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদনা পায়খৎপনি। অদুগা হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী কন্সত্রক্সন এজেন্সীনা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম পি ঐচ সী এল) নি। মিটর ৭২০ লোম শাংলিবা লম্বী শেমজিন শাজিনবগী প্রোজেক্ট অসিগী অপূনবা শেনফমনা লুপা ক্রোর ১৭.৫২নি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না প্রোজেক্ট অসিগী থবক অসি পাঙথোক্লবগীদমক ইম্প্লিমেন্টিং এজেন্সী ওইরিবা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মায়কৈদগী টেন্দরগী প্রোসেস লোইরদুনা হকথেংননা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক, ২০২৩ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস) :** সেন্ত্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন (সী ভি সী) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোরকখিবগুম ঙসি লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক পাঙথোক্লখিবগী মনুং চন্না কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈরকমনাক্তা লৈবা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী হেদ ওফিসতা চৎলিবা চহীসিগী ওইবা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক, ২০২৩গী থৌরম হৌদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ৫ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্না চৎথগদবা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক অসিগী হন্দক চহীগী পান্দমদি 'সে নো টু করপসন, কম্মিট টু দি নেসন' হায়বসিনি।

ৱীক অসি হৌদোকপগী থৌরমদা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি), কোলকটা য়ুনিটকী এ সী ভি ও রমন কুমার সিংহ, মণিপুর রুরেল বেঙ্ক (এম আর বি) গী জেনরেল মেনেজর শমজেৎশাবম রঞ্জিৎ অমদি সিনিয়র মেনেজর (ভিজিলেন্স) সোইবম ননাওচানা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। থৌরমগা মরী লৈননা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

ওক্টোবর ৩০, ২০২৩দগী হৌরদুনা নবেম্বর ৫, ২০২৩ ফাওবা সেন্ত্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন (সী ভি সী) না শীন্দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক, ২০২৩ পাঙথোকপগা মরী লৈননা 'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ অমসুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

# এম এল এ লৈসিও কৈশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস):** মমাঙ চহী ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ৪৩-ফুংয়ার এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী টিকেটতা কারকখিবা এম এল এ লৈসিও কৈশিং (৪৮) অপোকপা শম্ফাং কৈশিং, নম্বসি খুলেন্দা লৈবগী মথক্তা অউং সিমরে হোপিংসন (৬৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা অউং সিমরে সতানু, মরৌ ভিলেজদা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩০ ওফ ২০২২ হায় কোর্ট ওফ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# নুপীমচা অমদা কাতুক-কারন তৌরুবগী চার্জদা পুলিসনা নহা ৫ ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস):** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং পীজরবা মতুংদা কাতুক-কারন তৌবনি হায়বগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকপদগী পুলিসনা থৌওং অসিগী মায়োক্তা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা নহা মঙা ফারবা মতুংদা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়দুনা পুলিসনা চার্জ তৌরগা ফারবা নহাশিং অদুদি কক্ৱা নামৈরাকপম লৈকায়দগী বোরিস মাইবম (২০) অপোকপা এম গান্ধী, লৈকায়সিমক্তগী জোন মাইবম এলিয়জ পারি (২০) অপোকপা এম দয়ামো, কক্ৱা নাওরেম লৈকায়দগী মেলগিপসন নাওরেম (২০) অপোকপা এন বোদে, চজিং মাইরেনখোংদগী পুর্ন ওক্রম (২০) অপোকপা ও বাদল অমসুং শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম মেন্সন (২০) অপোকপা কে এস ঐচ মঙলেমতোম্বনি। অদুগা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসকী এফ আই আর নম্বরনা ৮৩০ (১০) ২০২৩নি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# কে সী পিগী 'লান্থেংমিন্নসি ঐখোয়' ফোঙখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী সেক্রেটরি ইন চার্জ এস মঙালনা থোরকপা চেরোল অমনা পার্টি অসিনা থা ৬/৬ খুদিংগী পুথোকপা চেফোঙ 'লান্থেংমিন্নসি ঐখোয়' (নীংথম পান্থা) পুথোক্লে হায়রি।

হন্দক্কী নীংথম চেফোঙ অসিদা য়াওরিবা হীরমশিংনা - এদিটোরিএল : ঐখোয়গী য়েক্লবা কনানো খঙমিন্নসি, ঐখোয়গী তুংলমচৎ শেম্লসি, মতম হেনখ্রগদি অকংবা পাম্বীদা ঈশিং চাইবা তানি, লন্নাইগী অখুবা মীৎয়েং থাদোক্লবা মতমদা ইরৈবাক্কী অপূনবা শক্তম ঙাকপা ঙমগনি, মার্ক্সিজম খঙমিন্নসি, মায় পাক্লবা মতুংদা য়াওল লালহৌ তৌবা লেপ্লোইদবনি, লমদমসিগী য়াওল লালহৌগী মৈরি চুখৎপীরম্বা লময়ানবা ইরাবত, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মীওই ৫ নোংমৈনা কাপ্পুনা শোকহনবদা চেন্নবা এম বরিস জেলদা থাজিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৪গী নুমিদাং অথেংবদা সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায়গী মফম অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা নুপী

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## এম বরিসনা অতোপ্পা চেন্নবা মীওইশিংগী মমিং-মথা হায়দোকউ য়াদ্রে : পুলিস

অমা য়াওনা মীওই ৫ শোকহনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা থম্লকখিবা মনোহরময়ূম বরিস, ৱাংখৈ নিংথেম পূখ্রি মপালবু কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রে।

মহাক্কী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা ঙসি পুলিসনা মহাকপু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি। পুলিসকী মায়কৈদগী মহাকপু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ পীবিয়ু হায়না তৌরকখিবা প্রেয়রদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

**HL Poll**

Q : Manipur leingakki official language oiriba Meeteilolgi mayekna eba lairik mei tharakpada leingakna tumminna leishinpham thokte haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT


Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Nongmei amasung Bombgi thoudoksing thorakpana State leingakna Law and ordergi phibam ningthijana ngakpa ngamdre haibada aranba wapham oigadra?

Yes 20% No 80%





ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫